হুইয়েন লানপাউ
লৈবাকপোকপা, জুন ২৯, ২০২১, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ৯৪শুবা মশীং

# মণিপুর মীয়ামগী লৈঙাক

## ওফিসলশিংনা তৌনীংবতা তৌদুনা লান্না উহন্দৌরব্রা?

মীয়ামগী লৈঙাক হায়বসি মীয়াম্না খঞ্জবা মখোয়গী মীহুৎশিংদুনা শেমজবনি। মীয়ামগীদমক্তনি। মীয়ামগী হীরম খুদিংমক্তা য়াইফ-থৌরাংগী থবকশিং পাঙথোক্লুবনি। দেমোক্রেসি চৎপা মালেমগী লৈবাকশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী চাওবা লৈবাক অমা ওইরিবা ইন্দিয়াগী লৈঙাকলোনসিগী চপ চাবা ৱাহন্থোকসু মসিনি। মণিপুরসু লৈবাকসিগী শরুক অমা ওইরিবনা লৈঙাক্লোন অসিমক লিশাং-শিংনা চৎনদুনা লাকপনি, হৌজিকসু চৎনরিবনি। মীয়ামগী লৈঙাক হায়রিবা লৈঙাক্লোনসি লৈরিবা মখৈদি মখা তানসু চৎনখিগদৌরিবনি। অদুগা মীয়ামগী লৈঙাক হায়রিবসিগী ৱাহন্থোক্কী মনুংদা লৈগদৌরিবশিংগী মনুংদা লৈঙাকসিগী তোঙান-তোঙানবা লোইশঙ পূন্নমক্কী মকোক থোংবদগীনা মতোন অহৌবদা লৈরিবা খ্বাইদগী নেম্বা থাক্কী ওফিসল/ষ্টাফ ফাওবা কোনশিল্লিবনি। লোয়শঙশিং অসিদগী হেন্দোরক্তুনা লৈঙাকসিগী মখাদা লৈবা কোর্পোরেসন, বোর্দ নৎত্রগা ইন্সটিট্যুসনশিং ফাওবা লৈঙাকসিগী শরুকশিং ওইরিবনি। লৈঙাক্না হীরম পূন্নমক্তা মীয়ামগী মথৌ তাবা থবক থৌরমশিং পাঙথোকপদা তঙাইফদনা পাম্বে ওইদবা য়াদবদগী লিংখৎতুনা, শেমদুনা থল্লিবনি। মখোয় পূন্নমক অসিবুনি লৈঙাক্কী মেছিন্নরিশিং হায়দুনা খঙনরিবসি। মীয়ামগী মীহুৎ ওইরিবা এম এল এশিং, এম এল এশিংদগী খনবা মিনিষ্টরশিং খক্তনা লৈঙাক্কী মরু ওইবা শরুকশিং নত্তে। লৈঙাক্কীনি হায়দুনা লৈরিবা মসিগী এজেন্সি পূন্নমক লৈঙাক্কি হায়দুনা লৌগদবনি, লৌফমসু থোকই। মসি ওইরগদি লৈঙাক্কীনি হায়দুনা লৈরিবা, লৈঙাক্কী শরুক অমসু ওইরিবা লোয়শঙ, এজেন্সি নৎত্রগা কোর্পোরেসন অমনা লৈবাক মীয়ামগীদমক্তনি হায়দুনা পায়খৎলকপা, পাঙথোরকপা থবক-থৌরমশিংবু অচান-মীরাই নাইনা, য়োংলৈ-মেলৈ নাইনা অকক্লবা মফম অমগী মীওই খুজোক খরখক্কীদমক্তা লৌখৎফম থোকপ্রা? লৈঙাক্না মীয়ামগীদমক লৌখৎপা থবক হায়বসিদি লৈরিবা মীয়াম পূন্নমক্কী ওইদ্রবা ফাওবদা থবক্তুগী কান্নবা পীদবা য়াদবা, ফংহন্দবা য়াদবা মীওই কাঙলূপ খরগীদমক পাদম অমা লাক্লগা মদুগী মনুং চনবশিংদা চাকথুং মান্ননা ফংহল্লিবনি। সেদ্যুল্ড ত্রাইব, সেদ্যুল্ড কাষ্টকীবু ওইরো, মাইনোরিটিশিংগীবু ওইরো, বেকৱার্দ ক্লাসকী মনুংদা লৈবশিংগীসু অকক্লবা, অরেপ্পা রুল অমমম শেন্নগা মতম-মতমগী মতুংইন্না মীওই কাঙলূপ্তুগী চাওখৎ থৌরাংশিং পায়খৎতুনা মদুগী কান্নবশিং ফংহল্লিবনি। ফুরুপ কাঙলূপকী খেন্নবা থমদনা হেক্তমক য়ূমথোঙ য়ৈনা, মীপূম তিংনা কান্নবা ফংহনগদবা ওইরগনা মসিগী থবকশিং পাক্তক্লনা লৌখৎলক্লিবনি। থবকশিং অসি মীয়ামগী মীহুৎনা শেমজবা মীয়ামগী লৈঙাক্না মীয়ামগীদমক তৌথোরকফম থোকপা থবক থৌরম ঙাক্তনি।

অদুবু, গভর্ণমেন্টনা ওফিসল ওইবা ওর্দর অমা থোক্তুনা খনখিবা/হাপখিবা মণিপুর হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফটস দিভেলপমেন্ট কোর্পোরেসন লিমিটেদকী চ্যেরপর্সননা হৌজিক লৌখৎলক্লিবা থবকশিং অসিবু করিনো? ৱাঙ্গৈাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি খক্তগী ফি শাবনা শিনফম ওইজবী নুপীশিংদা অহোঙবা/অতাবা মমলদা ফি শাননবা লংশিং ফংহনবগী থবকনি। য়াম্না ফজখ্রবা থবকনি। কোভিদ-১৯ পেন্দমিককী সেকেন্দ ৱেভকী চৈথেং অমসুং মসিগী মায়োক্তা পায়খৎলকপা চেকশিন থৌরাংশিংগী মনুং চল্লিবা কর্ফিয়ুগী অৱাবা মায়োক্লরিবা নুপী ময়ামদা লংশিং অদুগী নোমিনেল ওইবা মমল খরা লৌরবা ফাওবদা হৌজিক মায়োক্লরিবা ফীভমশিং অসিদদি লেম্না ফংহনবগুম্বনি। লৈঙাক্কী মায়কৈদগীদি অফবা থবকনি। অদুবু অশুক ফজখ্রবা থবকসি কোর্পোরেসন অসিগী চ্যেরমেনগী ময়ূম লৈরিবা শুপ্নতগী ৱাঙ্গৈাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি খক্তগী ফিশাবীশিং খক্তদা তৌফম থোকপা থবক্লা? ৱাঙ্গৈাইদা পী হায়বগী নৎত্রগা পীহন্নীংদবগী ৱাফম নত্তে। ফিশা-লোনশাদা শিনফম ওইজবা নুপীশিংসিবু ৱাঙ্গৈাই খক্তদা লৈব্রা? মণিপুরগী লেমহৌরিবা এসেমব্লি সেগমেন্ট ৫৯গীদি ফিশাবীশিং লৈত্রবরা হায়বসিনি। হেন্দলুম অমসুং হেন্দিক্রাফটসকী চ্যেরমেন অসিনা মহাক্কী এ সী অসিগী ফিশাবীশিংদা অহোঙবা মমলদা লংশিং য়েন্থোকখ্রিবসি জুন ২৭, ২০২১দা ৱাঙ্গৈাই কৈথেলদা য়েন্থোকখ্রিবদু থারগা অহুন্লক শুখ্রবনি। য়েন্থোকসনু, অফবা থবকনি। অহুন্লক্তগী হেন্দোক্তুনা এ সী অদুগী ফিশাবী পূন্নমক্তা থুংনবা পীবিয়ু। লৈঙাক্কী মায়কৈদগী তৌফম থোকপনি। অদুবু অফবা থবকসি অতোপ্পা এ সীশিংগী ফিশাবী নুপীশিংদসু ফংহনফম থোক্তব্রা হায়বসিনি। থৌওংসিদি অচুম্বা নত্তে। হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফটস দিভেলপমেন্ট কোর্পোরেসনগী ষ্টোক্তা লৈবা, লৈত্রগসু লৈহনবা য়াবা লংশিং অদুগী চাংদুগী মতুংইন্না ষ্টেটকী লৈরিবা ফিশাবীশিংদা চপ মান্নবা চাকথুংদা খরা খরা থুংনবা ফংহনবীফম থোক্তব্রা? অসিগুম্বা মখলগী পোৎয়েন চায়েনসিদি তৌদবা ফগনি। পী এম জি কে এ ৱাইগী চেঙ কিলো ৫/৫ লেম্না য়েনবগী থবক্তা হৌজিক ফাওবদা ৱারু-নুংজু থোক্লরিঙৈগী চৈরক্তা লং হোঙনা ফংহনবদা অকক্লনা মফম অমা খক্তগী ফিশাবীশিং খক্তদা ফংহল্লি, অতোপ্পা মফমশিংগীদি ফংহন্দে হায়বগী অমুক য়ৌ-য়ৌ তৌনরক্লবা পোরম শিনবা চুস্লোই। মসিগী মথক্তনা মীয়ামগীনি হায়বা অফবা থবক অমা তৌথোরকপদদি অকক্লবা, অরেপ্পা বেসিস অমদা য়ূম্ফম ওইদুনা নীংথিজনা শেন্নগা তৌগদবনি। ওথোরিটি অমনা মঙোন্দা পৱার খরা শিন্নরে হায়দুনা মদুবু মহাক্না তৌনীংবা মওংদা মহাক্কী অপাম্বগী মতুংইন্না তৌবা চুমদে। অফবা থবকসু তৌবা মীৱাসু তাবগী ফীভমদুদি তৌহন্নীংদে। মরী লৈনবা ওথোরিটিনসু মতম চানা য়াচল লাকপীহৌ, কাও থাবদৌনা থাদোকপা চুস্লোই।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২০

১) মণিপুরগী শক্লাইরবা স্কোলর অমসুং কবি অমগী শৈরেং মতেকনি - "ওইরকই থৱায় পান্দবগী জগৎ প্রকৃতিগী/চঙলকই পুন্সি জগৎতা প্রাণময়গী লমদমদগী/ওইরকই পূক্লিং মনোময় জগৎকী নুংশা শ্বরনা/হৌজিক্তি য়াতারি চরাঙননা মীওইবগী পুন্সিনা/খনজৈ মীওইবনা পন্থুংফম য়ৌরেদনা/লোইরেদনা তীর্থ যাত্রাগী খোঙচৎসে।" কবি অসি কনানো, মহাক্কী করম্বা লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংদগীনো?

২) মির্জা মুহম্মদ হাদী রুসৱাগী "উমরাও জান অদা" হায়বসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

৩) "খোইয়ম ব্রহ্মা অচিবা নঙগী সনা তুখোং খুদিংদা তলা উমিৎলোইনা মহৈ চুম্না য়ানবগুম থবী শেনগোইরেন অপানবনা মঙাল য়ুমদা চংলবনিনা ফকলাং লোঞ্জা মিফাৎলমদা উফুন সনা হায়ে কুপকুম হন্দোক হঞ্জিন্ননা ফমফল্লিবী মায়া শক্তি লাইরৈমা নঙোন্দগী শিব মহাদেব চোংথোক্লকএ।" ৱাহৈ পরেং অসি কদায়দগী লৌথোরকপনো?

৪) মহারাজ কুমারি বিনোদিনী দেবীগী "যামিনি সুণ্ডর গুহ গোল্ড মেদল' ফংখিবা লাইরিক্তু করি লাইরিক্নো?

৫) মণিপুরী সাহিত্যগী (মণিপুরদা ফোঙবা) অহানবা চেফোঙ অদু করিনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ৩০, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# কোভিদ মরক্তা য়ুরো ২০২০গী মহাউ

**হেক্তা হায়নীংলকই - ৬৬০**

**জিতেন নামৈরাকপম**




কোভিদকী মতম অসিদা কোবি চামন্দনা ইশাসি কোবী মনম নল্লে হায়নবা মীওইশিংসু য়াওরে। দুকান হাংবা য়াদবা, পোৎফম ফম্বা য়াদবা, মনা-মশিং য়োনবগীসু অকক্লবা মতম পীবনা, পোৎ চৈ য়োনবদা অথিং-অরাক লৈবা মরম্না অপাম্বা চানীংবা পোৎ লৈগে হায়বদা পাক হেক ফংবা ঙমদে। অদুবু অয়ূক ঙন্তাগী মতমদা ওটোরিক্সো পীক থন্না মনা-মশিং পুরক্তুনা লৈকায়গী নাকচি-নাকচিদা থার-থারদুনা য়োল্লরে। পুরক্লিবা পোৎলম্না কোবি, হঙ্গাম, হৱাই অশাংবী, বিনস, হৱাই রাজমা, ভেলন্দ্রি, থাংজিং, উশোয়, মোরোক অতেকপা, শৌগ্রী, য়েন্দেম, কোবী মতোন, মরোই নাকুপ্পী, নাপাকপী, ফদিগোম, থবী, দশকুশ, কারোৎ, কারোৎ অখাবী, খামেন অশিনবা, খামেন অখাবী, বারমাসিকা... অসি মঙায়। করিগুম্বদা ঐনা খ্বাইদগী পামজবা চেঙ্গুম নারিন ফৌবাক য়াওরক্লবা মদুমদি থাদ্রে। অদুম লৈরে। মমলগী ৱাদি হায়দুনা কান্নদে। লুপা ২০০/৩০০গী নৎত্রগদি চরা ফাদে। ঙাসু অদুমক মতাঙই। শামুরৌ, ৱাঙ্গৈাই, ময়াং ইম্ফাললোমদগী লল্লোনবীশিংনা ওটোরিক্সোদা বোরা পিক থন্না নম্লগা অথুবা মতমগী মনুংদা পোৎ চৈশিং য়োলহৌনবা হাইগৎলকপশিংদু তশেংনসু নুংশিবা ফাওই। পোৎ চৈ মমল খরা তাবিয়ু হায়নীংদে। অয়ূক পুং ৭তগী ১০ ফাওবা কর্ফিয়ু কোমথোকপা মতমদা নংনবা হোৎনজবদু উবদা মখোয়গীদমক ৱাবিবা ফাওই। মরমদি ঙাইহাক লৈরগা পুলিসনা লাউরক্তুনা তানবা লাকপদি শোয়দ্রবনি।

মসিনি হৌজিক কোভিদ-১৯না ঐখোয়দা পীবা খুদোল। মী পূন্নমক অসি লায়না অসিনা মরম ওইদুনা ফেরে-ফেরে হাইনা ৱাহনবনি। মণিপুর ইরমদম অসিদা অনাবসু নাদবসু হৌজিকপু অৱা চৈথেং ফংদবা কনাবু য়াওরিবগে? থবক-ইনখাংদগী শেল থুমগী অৱাবা, অৱাবগী অৱাবা থাক্তনি। শেল-থুমগী অৱাৎপা লৈতবা য়াইতোং ফমদোনবা, ইনাক কৈরাক খুনবা কাঙবুগীদি চান-থক্লবগী অৱাৎপদি লৈরস্লোই। অদুবু নাবগী, শিবগী মতাংদদি লায়রবা-ইনকখুনবা খাক্তে। ইনাক খুনবা কাঙবুসু তখৎতনা শিরিবা অদু মঙাই। নুংঙাইতবা পাউ মক্তনি নোংমগী কাংদে মীয়াম্না অদুম্মক তাদুনা লাক্লি। অৱাবগী চাং হেন্না হেন্না কনবসি লায়রবা কাঙবুদনা হেনবগী ৱানি। থবক শূগে হায়রবসু শূফম লৈতে। মীগী য়ূমগী থবক শূগদবসু পাম্বে লৈতে। থবক শূবনসু মীগী য়ূমদা চঙনীংদে। য়ূম্বুনসু অতোপ্পা মী কনাসু চঙহন্নীংদে। মরমদি ময়াম মরক্তগী কোভিদ পোজিটিভ ওইবা মী অমা হেক য়াওরম্লবা অদুম লোইরেনে। মরী-মরী শন্দোরকপা তাবনি।

মরকসিদা অমুক লৈঙাক্লদি হঞ্জিন-হঞ্জিন লাউবীরি। এস ও পি ঙাক্না চৎপীয়ু, য়ূম-য়ূমদগী মপান থোকপীরক্কনু হায়না। ফরেনে, ঐখোয় পূন্নমক ৱাখল লোইনা তাজ রে। য়ূমদগী মপান থোকপসু য়াদ, শেল তানফমসু লৈত, নোংমগী হজিরা শূজরগা চাবা ঐখোয়দি য়ূমদা সুম লেঙদনা লৈরগা চান-থক্লবা লৈতদনা নুংশিৎ ফারগা চাগদৌবা মঙায়রে। লৈঙাক্লবুদি য়েনবীরি থা থাগী চেঙ সুপরফাইন। সুপরফাইন কেজি খরদুনা অদুম লেনবা য়াবসু নত্তে। অতৈ মচাক্তুনি লুরিবদি। পোৎ অসিনা তাঙবসিনা তাঙবসিনা মমিং পল্লুদ্রগসু হৌজিকপু তাঙদবা পোৎ করিবু লৈরিবগে। পেট্রোল, দিজল তাঙলকপদগী ট্রান্সপোর্টেসন চার্জ হেনগৎলকপনা মরম ওইরগা পংতাঙদা তাঙই। হান্না পীরম্বা মমলদগী খরা হেন্না তাঙলগা লৈরগদি য়াম্না লেম্নবদৌনা তৌখৎলক্লি। থাও হায়বদুদা অচাথাওগী মমলসু আ য়ৌখ্রে। থা ৩/৪গী মমাঙদা লিটরদা লুপা ১৩০/১৪০ পীরম্বা ফোর্চুন থাও হৌজিক লুপা ১৮০/১৯০দা য়োন্নরে। অচাথাও ইঞ্জিন ওইল লিটরদা লুপা ১৫০/১৬০ পীরম্বদু হৌজিক্তি লুপা ২২০ পীরে। ঙাদগী থাওনা হেন্না তাঙখৎলক্লে। হৌজিকপু ঐখোয় ঙা অতেকপা লৈরগা অচাথাও য়াওদনা ফুৎলগা চাবা তারিব্রা? অদুগী ৱাবুদি সেনাপতি হাইগৎলগা কারোংগী কথীখো খুলদা বরাক তুরেলদগী ফারকপা মখল-মখলগী ঙা মচাশিং অদু থুমগা শীংগদং হাপ্লগা ঈশিংদা ফূৎলগা মনিল চৎহনখ্রগা ঐখোয়গী ঙা-পাক্লমগী মওংদা চাবগী মহাউদু ঙসিসু কাউবা ঙমদ্রি। নুংশিখ্রবা ঐখোয়গী ত্রাইবেল মরুপকী খূৎথোংনি। কোভিদ মহীক্লা লান্দারকপা অসিদি ঐখোয়গী পুন্সি মহিংদা জাৎ-জাৎ থেংনরকপসু য়ারি।

মথক্তা হায়জরিবা ইজরিবা খরসিনা কোভিদ থেংনবদা থেংনজবা পুন্সিগী মতেক খরগী ৱানি। ঐখোয় পূন্নমকপু ফাজিন পুনশিন্দুনা থল্লিবসি থা ২দি ফারক্লম্মনি। হায়রিবা নুমিৎশিং অসিদা লেল্লিবা পুন্সি মরেলসিসু অঙকপনিদো! নোং ঙাল্লকপা, নুংথিল, নুমিদাং ফাওবসি ওৎলৈ পারে তৌরগা মতম লেন্নবা হোৎনবা। অদগীদি হয়েং নোং অমুক ঙাল্লকপা নুমিৎতুমসু করি করিনো থোক থাক তৌরগা মতম অমুক লেনবা অসি মঙায়। কোভিদসিনা থাপ্পা চৎখিদ্রিমখৈদি অসুম্না অসুম লেনবা তাবনি।

অদুদা হন্দক্কী দীন খূৎলেনসিদি ফনবু নুংঙাইরক্লি। অয়ূক, নুংথিলদি ঙাইহাক থোঙ্গাল ফাও থোক, শুমাংদা অমুক চৎ, ঙাইহাক অমুক হিপ, পাউচে অমুক পা তৌদনা মরক্তা করি করিনো চাশিন থকচিনবা। নুমিৎ তাবা ঙাইবা। নুমিৎ হেক তারকপদগীদি কদায় কদায়দগীনো ঐখোয় লম্পাক্তা থোমজিল্লক্কনি। ডুরুঙ ডুরুঙ তৌনরম্বদগী মখোল হৌগৎলক্কনি। "জর্মনদা থারে, লুপা ৫০০০দা লিশীং অহুম ইল্লু। করিবো ইংলেণ্ডদা লিশীং ২০ থারকউ ওকপীগে। শোমদনা অমুক নহানগী বেলজিয়মনা পোর্টুগল থোইদ্রিঙৈ য়াম্না ঙাঙনহৌবনি। গোল অমদা থাবী, য়াম্থুৎনবী। গোল টু লীদ তৌবদা চাম্মগা লিশীংগা। ইটলিদা তরা থারে। দ্রো চাজৌ। নাইন্টি মিনট ফাওবদনিকো।" মখোয়গী ৱাসি ঐঙোন্দদি মেন মান তাদে। মখোয় মশেলদি খঙনবনি। অতৈগী নত্তে। য়ুরো ২০২০দু ২০২১দা ফুটবোল কপ্পু কোভিদনা মরম ওইরগা শান্নবা মেটচশিংদা শেল থান্নবগী ৱানি।

য়ুরো কপ ২০২১ লৈবাক ২৪না শরুক য়াদুনা শান্নরিবা ফুটবোল মেটচশিংদা শেল থাবদা ককঙাওনরবা নহা কয়া লৈরে। লুপা ১০০/২০০ থানরম্বদগী ফাগি ফাগিদগী লুপা লাখ ১/২/৩ ফাওবা থান্নবা য়াওরক্লে। মসিমক্তি অফবা থবক নত্তে। গেমব্লিংদা লাইচুবগী ৱানি। ইটলি, স্বিটজরলেন্দ, ৱেলস, টর্কি, বেলজিয়ম, দেনমার্ক, ফিনলেন্দ, রুসিয়া, নেদরলেন্দস, অষ্ট্রিয়া, য়ুক্রেন, নোর্থ মেসেদোনিয়া, ইংলেন্দ, ক্রোসিয়া, চেক রিপব্লিক, স্কোটলেন্দ, স্বিদেন, স্লোভাকিয়া, পোলেন্দ, ফ্রান্স, জর্মনি, পোর্টুগল, হঙ্গেরি ময়ামসি মথং মথং লৈহৌদুনা টিম ৮দা হন্থরক্লি। নুমিদাংগী পুং ৯.৩০দগী হৌরগা বারো মখায়গী মেটচ য়েংবদা মীৎসি চোংথোরক্কদবা মাল্লক্লে। মসিমকসু কোভিদ-১৯না ঐখোয়দা পীবা খুদোলনি হায়বা য়াই। তৌবতবু শেল থানরিবা কাঙবুদা হায়নীংই মদুদি ফুটবোল শান্নবদা চঙলিবা প্লেয়র অমগী মগুণ চোংবা, ফনবা, চেনবা, হকচাং ফীট ওইনবা, বোদি কো-ওর্দিনেসন লৈহনবা, গোল চনবা হৈবা, লমজেল য়াঙবনি। অদোমদা হকচাং ফীট ওইহনসি। ঐখোয়সি য়ুরো কপ ২০২০দা শেল য়াম্না থান্নরগা অপঙবা তান্নগুমসি। ●

# ঈনাৎলা, মীনাৎলা য়োকখৎকদবসি ! - ২৪

**ৱাখল ইহুল**

**সোরাম ইবোহল লুৱাং**

ময়ূমদগী থোরকপা মতমদা লীকসনু মীরোনবা থা মঙারোম শুরক্লবদু উমংদুদা লৈরক্লবা মতমদা মকুম মথা শুরকপদগী ৱানা খাঙবা মতম ওইশিল্লক্লম্মী। নোংমদোন্দা লৈবা লাই শিদবনা লীকসনুগী অৱাবা উবীবদগী লাইনিংথৌ শিদবা অমসুং লৈমরেল শিদবী অনীনা হন্দক লীকসনুনা পোক্কদৌরিবা অঙাং অসি অচম্বা অঙাং অমা নত্তে, পাখঙবনা মাগী অরোইবা শায়োন পুথোক্তুনা শান্নগদৌরিবা লীলা অদুদা শরুক য়াগদৌরিবা মচানি, অদুনা অঙাং অসি লেম্না মাঙহনবা য়াবা নত্তে হায়না ৱা তানখ্রে।

লাই শিদবনা কৈ লাবা অমা অদুগা লৈমরেল শিদবীনা শওম অমোম অমা ওল্লগা লীকসনুগী মনাক্তা কুমথরকপা মতমদা লীকসনুনদি খঙদবনা তাইবঙ অসিদা মী ওইনা লৈনীংদবদগী মাবু চাথোকপীনবা হন্না হন্না হায়জবদা করিমক্তা কান্নদবদগী অঙাং উন্নবা মতম ওইশিল্লকপদগী লীকসনু তূমিন্না ঙহাক হিপথরবা মতুংদা ইখঙ খঙহৌদনা মচানুপা নিংথিরবা অমা পোক্লে। মতমদুদা কৈ অমসুং শওম অনীনা লীকসনুগী থৌগল তৌরম্বদু থৌজানবীনবা শিদবা শিদবী অনীনা মখোয়গী হান্নগী মশক্তা ওন্থোক্লগা লাই শিদবনা লীকসনুদা হন্দক পোক্লিবা অঙাং অসি পাখঙবগী অশেংবা মচা ওইবনা তরাইনা তৌবা য়াদে, মতাং তরেৎ পানবা ঐনা পীরিবা চৈশু অসি মতম লৈবা খিবিক্তা অঙাং অসিনা পায়রিঙৈদা তাইবঙ কনানা লাকচবা ঙমলোইদৌরিবনি হায়না লাই শিদবনা লীকসনুদা তাকপীখি।

কেগে মোইরাং লৈবাক্তা নমা নচাবু য়োকপী থাকপীগদবা অহল অমগীদা শৈদাংফম লৌরুচো হায়রম্বগা লোয়ননা চৈশুদু লীকসনুদা পীরম্লগা লাই শিদবা-শিদবী অনীদু মাগী মীৎয়েংদগী মাঙখিরম্মী। অসুম্না লাকপনা লীকসনুনা মোইরাং নিংথৌ (থাঙতেক শুনাইবা) গী মচা-মশু কনা অমত্তা লৈজদবা ফম্নাইবা "খুয়োন ৱাখোঙ শেংবা" থেংনবদগী লীকসনুবু মচা শক্লা নাওকোনবীবগা লোয়ননা অঙাং অদুবুনা মহাকমক্কী মশু ওইনা য়াম্না লুনা চান্না তৌবীরগা, পিক্লিবা অঙাং অদুগী মমিং 'সনা য়োইরেলচান" হায়না থোনবীখি। মমা মচা মতমসি ফাওবদা মোইরাংদা নুংঙাইনা শৈদাংদুনা লৈবা মতমসিদা পাখঙবনা মাগী ১০৮শুবা লাংওন পুথোক্তুনা লোক্তাক্তা পাউবীলাই/পাউবীরাই হায়দুনা অরোইবা লীলা শান্নবা মতমনি।

লীকসনুনা মপা শক্লবা খুয়োন ৱাখোঙ শেংবনা নুমিৎ খুদিংগী কোনুং চৎপদা পুনবা লাইনা পীরম্বা চৈশুদুগী মতেক অমা কক্লগা পীবদু নোংমদি খুয়োনবনা নিংথৌগী শঙ্গাইগী মাঙ্গোল মচিদা থম্বদা মফম মরাং খঙহৌদনা শিৎলকপা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ অদু কিবদগী নিংথৌগী মচা ইবুংঙো অঙাংদুনা লাইগী মতিক ময়াই লৈরবা চৈশু মতেক্তু কান্দুনা হেক চৎলুবা খুদক্তুদা অঙাংদু ৱান্থদুনা শিবদু ফম্নাইবা খুয়োনবনা মরম অমত্তা চিংখদনা নিংথৌদা তল্লম্মী। নিংথৌনা মনাইগী মবুকচেল শেংবদুগীদমক ঙাকপীরবা মতুংদা চৈশু মতেক্তুদি নিংথৌনা লৌশিনখিরমই। নিংথৌনা চাং য়েংনীংবদগী চৈশু মতেক অদুদা হুই অমবু কালহনবদা হূইদু খুদক্তা শিখিবদগী নিংথৌনা চৈশু মতেক্তু লাইগী মশক ওইবা পোৎশকনি খল্লদুনা য়াম্না চেকশিন্না থমজিল্লবা মতুংদা খুয়োনবগী মশু সনা য়োইরেলচাননা পায়রিবা চৈশু মতেক অদুসু নিংথৌনা মুন্নবা হোৎনবদা অঙাং ওইরিবা য়োইরেলচানবু মাঙহনবা পাল্লম্মী, মরমদি অঙাং অদুনা চৈশুদুগী মতেংনা নোংমদি শোয়দনা মোইরাংগী নিংথৌ খুভম ফাওবা মুল্লবা য়াই হায়না খনবা ৱাখলসি খুয়োনবগী চান্নবা মোইরাংগী অঙম্বা নোংথোম্বনা য়াম্না লোন্না তল্লবদগী খঙখি। অদুদগী খুয়োনবনা মচানুপীদা মশুনুপাবু য়াম্না চেকশিন্না শেন্ননবা হায়বদু মচাবু শোয়দনা হাৎখিবা য়াই খনবদগী লীকসনুনা অহিংদুদা মাগী পিক্লিবা মচানুপাবু মনমদা পোরগা লোন্না খুমন লৈবাক তান্না চেন্নবা লাক্লম্মী। মোইরাংদনা নিংথৌ মনাই মীহাৎপশিং থারক্তুনা খুয়োনবগী ময়ূমদা চৎলুবদা লীকসনু মমা মচা লৈরমদবদগী মোইরাংগা য়ূমথংনবা নিংথৌ পানবা খুমন লৈবাক্তা চেল্লমগনি খনবদগী তান্নরক্লম্মী।

মতাং অসিদা লীকসনু মমা মচাদি ঈথাই তুরেলনা থৎতুনা লৈবনা লান্থোক্তুনা চৎপা ঙমদ্রিঙৈদা তুংদা তান্নরকপা মোইরাং নিংথৌগী মীহাৎপা মনাইশিংনা লাকপদু লীকসনুনা লাপ্পা উরক্লবদা লাইগী নোংদম য়েংলগে হায়দুনা মপুগী মিঙ্খে শোল্লগা ঈমাই পানা চেল্লিবা তুরেল খোংনুংদা কুমথরকপদা "ইখঙ খঙহৌদনা লাইগী নোংদমদগী তুরেলগী ঈশিং ঈমাই অদু ময়ায়দা তুবৎ তৎখিদুনা লীকসনুগী চৎননবা লম্বী পীবিখি।" অসুম্না চেল্লকপদা খুমন তুরেল (খুগা তুরেল) না মমাঙদা অমুক থৎতুনা লৈবসি লান্থোক্লবদি খুমন লৈবাক য়ৌগদবনিনা হান্নগীগুম লাইগী নোংদম লৈব্রা য়েংবদা লৈত্রবদগী লীকসনুনা মথৱায় য়াম্না ৱানা ফমদুনা লৈরিঙৈদা মোইরাং নিংথৌগী মনাই মীহাৎপশিংসু য়ৌশিল্লক্লম্মী। খুমন লৈবাক্কী য়াঙ্গৈাই তাবী হায়বী নুপী অমনা মখূত্তা ঈশিং পুল অমা পায়দুনা ঈশিং শোক্লবা খুমন তুরেলদা কুমথরকপদু হেক উবদা লীকসনুনা মমিৎতা মপি তানা নুপী অসিদা মমা-মচা অনীবু খুমন তুরেল অমুক্তা লান্থোকপীনবা হায়জবা মতমদা নুমিৎ অদু য়াঙ্গৈাইতাবীগী ময়ূমদসু হি লৈরমদবা মতাং ওইবগা লোয়ননা মীহাৎপশিং য়াম্না নকশিল্লকপদু উবদা লীকসনু তুরেল মপান্দা ওন্ন-থোইনা লৈখ্রে।

তাঞ্জাসিদা লাই শিদবনা উবীরদুনা মনাইগী অৱাবসিদগী কনবীনবা মী অনীখক্তং তোংবা য়াবা হিনাও অমদি নৌ ওন্দুনা তাওথরকপসি খুমনগী য়াঙ্গৈাইতাবীনা লোক্লগা হিনাওদুগী মতেংনা সনা য়োইরেলচান হায়রিবা অঙাংদু হান্না লান্থোক্লগা খুমনগী লমদা তোর্ব্বান্দা থল্লম্মী। লীকসনু অমুক লৌবা লাকপদা হিদু হেক হোন্দোরকপদা মোইরাং নিংথৌগী মনাইশিংনা লীকসনুগী মশম পায়দুনা চিংথরগা ফাহৌবদু কিবদগী য়াঙ্গৈাইতাবীসু তুরেলদা চোংথদুনা লান্থোক্লগা অসোম ৱাংমা তোর্ব্বান্দা লৈহৌবা অঙাংদু পুরগা ময়ূমদা চেনশিনখিরম্মী। নিংথৌগী মনাইশিংদুনা মমাদি ফারক্লে অদুগা মচাদি চৈশুগা কোন্ননা তুরেলদা তাশিনখিবদগী শিখ্রে হায়জিনবদগী মোইরাং নিংথৌ হরাওবদগী লীকসনুবুনা কৈশুমশঙদা থমখিরম্মী।

খুমনদনা য়াঙ্গৈাইতাবী অমদি মাগী নুপা য়াঙ্গৈাইতাবা অনীনা সনা য়োইরেলচানবু হান্না মমিৎতা মচা অমত্তা উবা ফংলমদববু খুমন অপোকপনা পীবিরবনি খন্না লুনা চান্না য়োকচবদগী ষণশেন ষণঙাক ঙল্লক্লে। অপোকপী মমা লীকসনুবু কাউথোকখিদুনা য়াঙ্গৈাইতাবীবু হেক অপোকপী মমানি হায়না খনখ্রে। মতাং অসিদা অৱা লৈবাক্কী লৈশেমঙৈদগী হৌনা মৈতৈগী সলাই তরেৎকী মনুংদা পোকপা মীদনা নিংথৌ ওইদুনা লাকপসি লৈরমদবদগী অৱাগী নিংথৌ কাংবা হায়বা ফীভমদুগী মথক্তা অৱা লৈবাক্তা চাউরবা লাইরেন নিংথৌ অমা লৈরম্বসিনা অৱাগী নৌনা হাপ্পা লৈবাক্কী নিংথৌশিংবু ফাদুনা চাথোকখিবনা কনাগুম্বা মীওই অমত্তনা অৱাগী নিংথৌ ওইবিয়ু য়াদবনা নিংথৌ পান্দবা লৈবাক হায়বদু ওইরম্মী। লৈবাক মীয়াম্না মখোয়গী লাইনীং লাইশোনগী মকোক থোংবা পুঙগ্রিদা নিংথৌ করম্না হাপকনি হায়বগী মতাংদা মহাক্না (পুঙগ্রিনা) হায়রম্মী মদুদি মৈতৈ সলাই তরেৎকী মনুংদা পোকপা মীনা অৱাগী নিংথৌ ওইগদবদু পোকখ্রে। অদুনা লৈবাকসিগী লাই ওইরবা শামু অঙৌবা য়াইশা থাদুনা থিহনবদা অৱা লৈবাক্কী মতিক ময়াই লৈরবা নিংথৌ ওইগদবা মীশক্তু ফংগনি হায়বদগী শামু অঙৌবদা হায়জবদগী নোংচুপ পাংনা খোঙশানখিরম্মী। ●